# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-10-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৮-১০-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**মেঘচন্দ্র(এল)ঃ** নারোন্দা শেল থৈদোকপগী মরালদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতি(এম.পি.সি.সি)গী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র এম.এল.এ বু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা সমন তৌরকখ্রে। এম.এম.এবু মশা লাকবা সমন তৌরকপগী চেরোল অদু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা থা অসিগী ৩ দা থোকখিবনি। অদুম ওইনমক চেরোল অদু ঙরাং খক্তমক এম.এল.এগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনাহাদা লৈবা এম.এল.এগী য়ুমদা য়ৌরকখিবনি হায়রি।

শ্রী মেঘচন্দ্রবু প্রিভেন্সন ওফ মনিলোন্দরিং এক্ট ২০০২গী সেক্সন ৫০, সব-সেক্সন ২ অমসুং সব-সেক্সন ৩ গী মখাদা নারোলদা শেল থৈদোকপগী মরালদা ৱায়েল চথ্থগদৌরি হায়রি। মদুগী মথক্তা শ্রী মেঘচন্দ্রগী মথক্তা ইন্দিয়ান পেনাল কোর্টকী সেক্সন ১৮৬০ গী সেক্সন ১৯৩ অমসুং সেক্সন ২২৮কী মখাদা জ্দিসিএল প্রোসিদিং চথ্থগনি হায়রি।

অমরোমদা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে.মেঘচন্দুবু মনিলোন্দরিং কেসকা মরি লৈননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কৌরক্লিবসি রাজনিতিগী লৌতুনবনি হায়না কংগ্রেস লূচিংবা জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখ্রে। সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা শ্রী জয়রাম রামেসনা হায়-শ্রী মেঘচন্দ্রনা মণিপুরগী ইরাং অসিগা মরি লৈননা বি.জে.পিগী লূচিংবশিং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমদি রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি নোং থোম্বম বিরেনগী মথক্তা য়ানিংদবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মণিপুরগী থা ১৭ হেল্লবা ইরাং অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাকখিদবা অদুগী মরাল থৈদোকবা শ্রী মেঘচন্দ্রবু মরাল শিবগী থৌওংনি হায়নসু শ্রী জয়রাম রামেশ না ফোঙদোকখি।

**দেঙ্গি(এল)ঃ** মণিপুরদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপা অমদি হৌখিবা থা অমরোমগী মমাঙদগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাশিংদা কেস কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী হেলথ সর্ভিসেসনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলে।

দিরেক্টোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ও.সনাহনবী দেবীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মসিদা মীয়ামা কা হেন্না মীপাইবীগনু। কনাকগুম্বনা দেঙ্গিগী কেস থেংনরবা অমদি খংনিংবা লৈরবদি হেলথ সর্ভিসেসকী মরি লৈনবা মীওইশিংদা খুদক্তা পাউ পীরকবা হায়রি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা উংখৎনবা লৈরকপদগী মতম খরা ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিন্দুনা লৈরকখিবা অদু ঙরাংদগী হাংদোকখ্রে। রাজ্যগী হোম বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অদুদা মহৌশাগী ফীভম তপা তপা হঞ্জিল্লকপদগী ইন্টরনেট হাংদোকবা খোংথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** এন.সি.সি গ্রুপ হেদ ক্বার্টরস ইম্ফালগী গ্রুপ কম্মান্দর ব্রিগেদিয়র এস.আর.শর্ম্মানা চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা স্কুল অমসুং কোলেজশিং চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। ঙরাংগী খোংচৎ অদুদা চুরাচান্দপুর কোলেজ, রেবর্ন কোলেজ, রেবর্ন স্কুল অমসুং জে.এন.ভি স্কুলদা চত্তুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা কোলেজ অমসুং স্কুলশিং অসিগী প্রিন্সিপালশিংগা কুপা ৱারি শান্নবগা লোয়ননা স্কুলশিং অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু খন্নখি। মখা তানা, এন.সি.সিগী ত্রেনিং শিন্দুনা মাই পাকা পাঙথোকবগী মতাংদসু ৱারি শান্নখি।

**সাইনিকস্কুল(এল)ঃ** সাইনিক স্কুলগী ৫৩শুবা রেজিং ডে ঙরাং হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ঙাকশেলগী লমদা লৈরিবা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং স্কুল অসিগী হান্নগী স্তাফ অমসুং ছাত্রশিংনা পুন্না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মার্তিয়রস পিলরদা ইকাই খুম বা উৎপগা লোয়ননা স্কুল অসিগী কেদেদশিংনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়া উৎখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ভারত লান্মি অমসুং ঙারিয়ান স্পোর্টিং ক্লব অন্দ্রো ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা মপনশুবা ওপন ফুটবোল টুরনামেন্ট ঙরাং অন্দ্রোদা লোয়শিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি থা অমা চুপা তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ.সি য়াইরিপোক টোপ চিংথানা এফ.সি পোইরৌ খোংজিনবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা শ্বামকুমার এম.এল.এনা অথোইবা মিথুং ওইখি।

**মোদি ঃ** ভারত অমসুং মোলদিপসনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লূপা কোতি লিশিং ৩ গী শেনফম করেন্সি স্বেপ তৌবদা য়ানখিবা লোয়ননা ভারতকী মাইকৈদগী মিলিয়ন দোলর ৪০০ গী শেনফম তেংবাং পীখ্রে।

মোদিপসকী রাষ্ট্রপতি মহম্মদ মুইজ্‌গা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা নিউ দেল্লিদা কুপা ৱারি শান্নরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা পীরিবা শেলগী তেংবাং অসিনা মোদিপসতা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা শেল থুমগী খূদোংচাদবদু খরা মখৈ কোকহনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক নিংথিনা থেংনবা ঙমবা লৈবাক অনিগী ওইবা য়ানচে অনি সহী তৌনখি। মখা তানা, মেলদিভিয়ন জ্‌দিসিএল ওফিসারশিংগী কেপাশিতি বিলদিং প্রোগ্রাম পায়খৎপা অমসুং শান্না খোৎনবা লোয়ননা য়ুথ এফিয়র্সকী লমদসু য়ানচেশিং নৌনা সহী তৌনখি।

**ৱার্কশোপঃ** পঞ্চায়তি রাজ অমসুং ত্রাইবেল এফিয়রস মন্ত্রালয় অনি পুন্না খূৎশমরগা শিন্দুনা ফোরেজ রাইটস এক্ট অমসুং পঞ্চায়ট এক্সতেন্সন ইন সেদ্যুল এক্ট (পি.ঈ.এস.এ) হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা অন্তর জাতিগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা ৱার্কশোপ অমা মধ্য প্রদেশকী জপলপুরদা ঙসিদগী হৌরগনি।

মন্ত্রালয় অনিনা পুন্না হোৎনদুনা ৱার্কশোপ অসি মরু ওইনা (পি.ঈ.এস.এ) গী জগাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিতিস, সব দিবিজন লেভেল কম্মিতিসকী মেম্বরশিংদা কেপাসিতি বিলদিং অমসুং ত্রেনিং হায়বসিগী মতাংদা ভাপ তাহনবগা লোয়ননা ফোরেষ্ট রাইটস এক্ট মপুং ফানা চৎনহন্নবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ অসি শিনবনি। ৱার্কশোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি ২১দগী ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মাষ্টর ত্রেনর ১৫০ না শরুক য়াগনি।